# রসিয়াগী খোঙথাং কন্দেম তৌবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে

যুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী খোঙথাং কন্দেম তৌবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনগী মতাংদা ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে।



ইন্দিয়ানা মীচং চুংশিন্নদবগী ৱাখল্লোন পল্লদুনা রিজোল্যুসন অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবনি। মেম্বর ১৫গী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগা রিজোল্যুসন অদু ভোট লৌনবদা মেম্বর ১১না মদুবু শৌগৎখি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ভোট লৌনখিবদা ইন্দিয়াদা নৎতনা চাইনা অমসুং যুনাইটেদ অরব ইমিরেটসসু শরুক য়াখিদে।

রিজোল্যুসন অদু ভেটো পাৱর পায়বা পর্মেনেন্ট মেম্বর অমা ওইরিবা রসিয়ানা রিজেক্ট তৌখি। ভোট লৌনবা অদুদা য়াওদবগী মরম পল্লদুনা ইন্দিয়াগী পর্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ টি এস টিরুমুর্টিনা হায়খি, দিপ্লোমেসিগী লম্বী থাদোকপা হায়বসি নুংনাংনিংঙাইনি। ঐখোয়না লম্বী অসিদা হল্লকপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। খেন্নবা ৱাফমশিং অমসুং য়েৎনবশিং লৈখায় তানবগী খ্বাইদগী ফরবা পান্থেদি ৱারী শানবা অসিনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী মমিং পন্দবীদা টিরুমুর্টিনা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা ইন্দিয়াবু য়াম্না নুংঙাইহন্দে। খূৎ থোক্লবা অমদি য়েংথিনবগী থৌদৌশিং খূদক্তা লেপ্পনবগী খোঙথাংশিং পায়খৎনবা ঐখোয়না মরী লৈনবা পূম্নমক্তা আপীল তৌরি। হৌজিক লৈরিবা মালেমগী ওর্দর অসি য়ু এন চার্টর, ইন্টরনেসনল লো অমসুং স্টেটশিংগী সোভরেন্টি অমদি টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিবু ইকাই খুম্নবদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, মেম্বর স্টেট পূম্নমক্না প্রিন্সিপলশিং অসিবু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা লম্বী অমা পুথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই।

য়ু এস, অলবেনিয়া অমদি লৈবাক ৫০ রোম্না স্পোন্সর তৌখিবা রিজোল্যুসন অদু রসিয়ন ট্রুপশিংনা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভ তম্না চঙশিল্লক্লিঙৈদা ভোট লৌনখিবনি। রিজোল্যুসন অদুগী পান্দমদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা অকন-অরিংগী থৌওংশিং চথৈ অমদি থৌওং অদুনা ইন্টরনেসনল পীছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অকায়বা পী হায়না লাউথোকপনি। মসিদা নৎতনা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা ফোর্স শীজিন্নবা খূদক্তা লেপ্পা অমদি রসিয়ন ফোর্সশিং য়ুক্রেনদগী মপূং ফানা হন্দোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ অসিসু রিজোল্যুসন অদুগী মনুং চল্লি। অতোপ্পা মরুওইবা রিজোল্যুসন অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী দোনেটস অমসুং লুহান্স হায়রিবা লমদমশিং অসিবু নিংতম্বা লৈবাকশিং ওইনা শকখঙখিবা অদু হন্দোক্কদবনি হায়বসিনি।

রসিয়াগী খোঙথাং কন্দেম তৌবগী ৱাফম অসি মেম্বর ১৯৩ লৈবা জেনরেল এসেমব্লিনা খন্নরগনি। ভোট লৌনবদা লৈবাক অহুম্না শরুক য়াখিদবা হায়বসি রসিয়াবু শৌগৎপা ওইদবনা লৈবাক অসি মালেমদগী নাইতোম তাহল্লকপা য়াই হায়রি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা থা অসিগী অঙনবদা ষ্টেটমেন্ট অমা সাইন তৌনদুনা লৈবাক অসিগী মরীগী ঙমখৈ লৈতে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা চাইনানা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবনি।

# রসিয়ানা মখা তানা মিলিটরি টার্গেটশিংদা এটেক চথৄদুনা য়ুক্রেনদা প্রেসর পীবা লেপত্রি

মোস্কো, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
মোস্কোনা য়ুক্রেনগী মিলিটরি টার্গেটশিংদা মখা তানা এটেক তৌদুনা কিভতা লেপ্তুনা অকনবা প্রেসর পীরি। অমরোমদা, নাকল অনীনা হকথেংননা ৱারী শানবা হৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লুখ্রে।



শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা ওপরেসন হৌখিবদগী রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা য়ুক্রেনগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেসিলিটি ২১১ মথৌ তৌবা ঙমহন্দ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইভোর কোনাশেনকোভনা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ অদুগী অয়ূক্কী ব্রিফিংদা মহাক্না য়ুক্রেনগী মিলিটরি ফেসিলিটি ১১৮ মথৌ লেপহল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, লান অদুদা হৌখিবা থা খরা অসিদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনদা সপ্লাই তৌখিবা য়াম্লবা খূৎলায়শিং ফাজিল্লে। খূৎলায়শিং অদুদা য়ু এসকী জেভলিন এন্টি-টেঙ্ক মিসাইল সিষ্টমসু য়াওরি।

কিভকী সবর্ব অমদা লৈবা গেষ্টোমেল এয়রফিল্ড পায়শিল্লবা মতুংদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা কেপিটেল সিটি অসি ব্লোকেদ তৌখ্রে। ওপরেসন অদুদা য়ুক্রেনগী স্পেসল য়ুনিটশিংগী মেম্বর ২০০ হেন্না শিখি। রসিয়ানা চর্নোবিল ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্টসু মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌরে হায়নসু স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নাকল অনীগী মিলিটরি য়ুনিটশিংনা ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিং মিলিটরি ওপরেসনশিংদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লে হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা চ্যের লৌদুনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মেনেন্ট মেম্বরশিংগা লোয়ননা ভিদিও লিঙ্ককী খূত্থাংদা মীফম অমা পাঙথোকখিবদা রসিয়ন লান্মীশিং অমসুং ওফিসরশিংনা উৎলিবা পর্ফোর্মেন্স থাগৎখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসিনা হায়, রসিয়ন আর্মিনা মপূং ওইনা খূৎ থোক্লরিবা অসি য়ুক্রেনগী রেগ্যুলর আর্মদ ফোর্সশিংগী য়ুনিটশিংগা নত্তে, তৌইগুম্বসু নেসনেলিষ্ট গ্রুপশিংগনি।

মীফম অদুদা প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়খি মদুদি, য়ুক্রেনগী নেসনেলিষ্টশিংনা মল্টিপল-রোকেট লোঞ্চরশিং য়াওনা অচৌবা খূৎলায়শিং কিভ অমদি খর্কোভ য়াওনা মরুওইবা সিটিশিংগী সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিপ্লোয় তৌরি। পুটিননা য়ুক্রেনগী মিলিটরিদা মখূৎতা পাৱর পায়ননবা আপিল তৌখি।

ইরাই নুমিৎকী প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রি সর্গে লাভরোভনা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা য়ুক্রেনবু পায়শিনগে খনবা লৈতে অমসুং য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা খূৎলায় হেক থাদোকপগা মোস্কোনা নেগোসিএসন চথনবা শেম শাদুনা লৈ। ইরাই নুমিৎতা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিনসু টেলিভিজনদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না রসিয়াগা দাইলোগ চথবা পান্মী হায়খিবনি।

পুটিননা দিফেন্স মিনিষ্ট্রি, ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং প্রসিদেন্সিএল এদমিনিষ্ট্রেসনগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী লেভেলদা য়ুক্রেনগা নিগোসিএসন চথনবগীদমক বেলারসকী কেপিটেল মিন্সতা রসিয়ন দেলিগেসন অমা থাবগী ৱাফম য়াখি। তৌইগুম্বসু কিভনা মদুগী মতুংদা পোলেন্দগী কেপিটেল ৱারশোদা ওইনা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি হায়না ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দিমিত্রি পেস্কোভনা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা হৌজিক নেগোসিএসনগী তারিখ অমসুং মফম খন্নরি। থুনা ৱারী শানবা হৌবনা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা হঞ্জিনহনবদা মতেং ওইগনি হায়না জেলেনস্কিগী প্রেস সেক্রেটরি সর্হি নিকিফোরোভনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবনি।

# হঙ্গেরিনা বুদাপেষ্টতা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা পীছ টোক চথৄহনবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

বুদাপেষ্ট, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
হঙ্গেরিগী ফোরেন এফেয়র্স এন্দ ট্রেদ মিনিষ্টর পিটর জিজার্টোনা লৈবাক অসিগী কেপিটেল বুদাপেষ্টপু রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা পীছ টোক চথনবগী মফম ওইহনবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী ফেসবূক একাউন্টদা ওফর অসি তৌখিবনি।

জিজার্টোনা মহাক্কী ফেসবূক পেজতা থাগৎপা ভিদিও মেসেজ অমদা হায়খি মদুদি, মিন্স অমদি ৱারশোদা পীছ টোক চথবগী ৱাফম অসিদা য়েৎনবা লৈবনা মরম ওইদুনা ঐহাক্না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোভ অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিগী চীফ ওফ কেবিনেট অন্দ্রি য়েরমাকতা বুদাপেষ্টপু ৱারী শানবগী মফম ওইহন্নবা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।

টেলিফোনদা ৱারী শানবদা মহাক্না হৌদোক্লিবা ৱাফম অদু নাকল অনীগী মরক্তগী অমত্তনা রিজেক্ট তৌরকখিদে। রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী নিগোসিএসন দেলিগেসন অনীমক্কী ওইনা বুদাপেষ্টনা সেফ ওইবা মফম অমা ওইগনি হায়না হঙ্গেরিগী টোপ দিপ্লোমেট অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱারী শানবা থুনা হৌবনা থুনা পীছ লাকহনগনি অমসুং লানদা মী শিবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। জিজার্টোনা ৱাফম অসি ব্রসেলসতা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মরুওইবা মীফম অমদা শরুক য়াবা লাকপদা ব্রসেলসতা লৈবা এয়রপোর্ট অমদগী ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না বেলজিয়মদগী ন্যু য়োর্কতা পাইদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন)গী লীদরশিংগা খন্ন-নৈনগনি।

ইরাই নুমিৎতা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগা কনফ্লিক্ট অদু লেপ্প বা ৱারী শানসি হায়না নৌহৌননা হৌদোকখিবনি।

ইন্টরফেক্স-য়ুক্রেন ন্যুজ এজেন্সীদা জেলেনস্কিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুক্রেনগী মফম পূম্নমক্তা লান শোক্লরি। ঐখোয়না লান অসি লেপ্পবা ফম্মিন্নরগা ৱারী শানসি। ইরাই নুমিৎতা রসিয়াগী রিয়া নোভোষ্টিগী ন্যুজ এজেন্সীনা প্রসিদেন্ট পুটিনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মোস্কোনা য়ুক্রেনগা নিগোসিএসন চথনবা শেম শাদুনা লৈ। শগোলশেন নুমিৎতা পুটিননা রসিয়ন ফোর্সশিংগা স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন অমা দোনবাসতা চথনবা ওর্দর তৌখিবনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা ফোঙদোরকখিবা অমগী মতুংইন্না, রসিয়ানা চথরক্লিবা মিলিটরি ওপরেসন অদুদা য়ামদ্রবদা য়ুক্রেনিয়ন ১৩৭ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩০০ হেন্না অশোক-অপন নংলে।

# রসিয়ানা মেলিটোপোল সিটি কন্ট্রোল তৌরে হায়বা ৱাফম য়ু কেনা য়াখিদ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী খা-নোংপোক থংবা সিটি মেলিটোপোল কন্ট্রোল তৌরে হায়বা রসিয়াগী ক্লেব য়ুনাইটেদ কিংদম (য়ু কে)গী আর্মদ ফোর্সেস মিনিষ্টর জেমস হিয়েপিনা য়াখিদ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা হায়, রসিয়ন ফোর্সশিংনা মেলিটোপোল পায়শিল্লে হায়বা রিপোর্টশিং মহাক্না য়ানিংদে। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী থৌরাং অদু হান্না লেপখিবগী মওংদা লাকপা উদে। য়ু কে গভর্ণমেন্টকী আর্মদ ফোর্সেসকী জুনিয়র মিনিষ্টর অসিনা হায়, রসিয়ানা লৈবাক অসিগী মরুওইবা পান্দমশিং ফংবা ঙমদ্রে। কিভ সিটিগী মপান্দা শোক্লরিবা লান্দা রসিয়ন স্পেসল ফোর্সকী য়ুনিটশিংগীদমক শরুক য়ারি।

য়ুক্রেনগী মরুওইবা সিটিশিং লৌশিনবগী পান্দম অসি ফংবা ঙমদ্রি হায়না মিনিষ্টর অসিনা বি বি সীগী প্রোগ্রাম অমদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়, রসিয়ন ফোর্সশিংনা সাউথ ইষ্টর্ন সিটি মেলিটোপোল পায়শিল্লে হায়বা মোস্কোগী ক্লেম অসি য়ু কেনা থাজদে। চঙশিল্লক্লিবা রসিয়ন ফোর্সশিংদা য়ুক্রেনিয়নশিংনা পীবা ঙল্লিবা অথিংবগী চাং অসি শীংথানিংঙাইনি। লান্দাবগী অহানবা নুমিৎতা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী সিটিশিং হায়বদি খর্কিভ, খের্সোন, মারিয়ুপোল, সুমি অমসুং মেলিটোপোল লৌশিনবগী পান্দম থল্লম্বা অদু ফংবা ঙমখিদ্রে।

মোস্কোনা মেলিটোপোল লৌশিল্লে হায়না ক্লেম তৌরিবা অসি চূমদে। সিটি অসিবু লৌশিনবগী খূদম চাংদম অমত্তা উবা ফংদে। মখা তানা সিটি অসি য়ুক্রেনিয়নশিংগী খূৎতা লৈরি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি। মেলিটোপোল সিটি কন্ট্রোল তৌরে হায়না রসিয়ানা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ক্লেম তৌখিবনি।

# পুটিনদা ঙাকপীয়ু হায়জনবা চেচনিয়াগী কাদিরোভনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিদা পাউতাক পীখ্রে

গ্রোজনি, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
চেচনিয়াগী ষ্ট্রোংমেন অমসুং লুচিংবা রামজান কাদিরোভনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিদা পুটিনদা কোল তৌরগা এপোলোজাইস তৌনবা পাউতাক পীখ্রে।

চেচনিয়াগী সেন্ট্রেল গ্রোজনিদা সর্ভিসমেনশিংদা ৱা ঙাংখিবদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিনা পুটিনদা এপোলোজাইস তৌগদবনি হায়না কাদিরোভনা দিমান্দ তৌখি। চেচেন লীদর অসিনা হায়খি মদুদি, সর্ভিসমেনশিংদা ৱা ঙাংবগী খূদোংচাবা অসি লৌরগা ঐহাক্না য়ুক্রেনগী হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিদা ঐখোয়গী প্রসিদেন্ট অমদি সুপ্রিম কম্মান্দর ভ্লাদিমির ভ্লাদিমিরোভিচ পুটিনদা কোল তৌদুনা এপোলোজাইস তৌনবা ঐহাক্না হৌজিক্কী য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিদা পাউতাক পীবা পান্মী। য়ুক্রেনবু কন্ননবগীদমক মসি থুনা তৌগদবনি। ঙাকপীনবা হায়জবগা লোয়ননা রসিয়ানা পীরিবা কন্দসন খূদিংমক্তা য়াগদবনি। মসিনা খ্বাইদগী চূম্বা অমসুং মরৈবাক নীংবগী খোঙথাং ওইগনি হায়না কাদিরোভনা মখা তাখি।

চেচেন লীদর অসিনা হায়, চেচনিয়াগী মীওই লিশিং কয়ানা রসিয়াগী আর্মদ ফোর্সেসতা মতেং পাংনিংই। মোস্কোগী মিলিটরিনা য়ুক্রেনদা এটেক তৌবা নীনি চনবা নুমিৎতা কাদিরোভনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ইরাই নুমিৎতা রিজনেল কেপিটেল গ্রোজনিগী সেন্ট্রেল স্কৱারদা লোকল ভলন্টিয়র ১২,০০০ পূনখি। ক্রেমলিনবু শৌগৎপা উৎননবা রেলি অদু শীন-লাংখিবনি। রেলি অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদু ঐখোয়গী ষ্টেট অমদি মীয়াম্বু সেক্যুর ওইনবগীদমক্তা মতম অমদা হেক্তা স্পেসল ওপরেসনদা শরুক য়ানবা শেম শাদুনা লৈরিবশিংনি। সুপ্রিম কম্মান্দর ইন-চীফ পুটিননা ওর্দর পীদ্রিবা ফাওবা ট্রুপ অমত্তা দিপ্লোয় তৌখিরোই হায়না কাদিরোভনা ফোঙদোকখি।

চেচনিয়াগী নেসনল পোলিসিগী মিনিষ্টর অখমেদ দুদায়েভকী মতুংইন্না গ্রোজনিদা সর্ভিসমেনশিংনা পূল্লিবা অদুগী পান্দমদি ট্রুপশিংনা ওর্দরশিং ইন্নবা অমদি মখোয়গী হোমলেন্দবু য়েক্লবদগী ঙাকথোক্লনবা কদায় ফাওবা শেম শাদুনা লৈবগে হায়বদু উৎননবগীদমক্তনি।

চৈরকসিদা, য়ুক্রেনদা রসিয়ন ট্রান্সপোর্ট প্লেন অনী কাপথখ্রে হায়না য়ু এস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। ওফিসলশিং অদুগী মতুংইন্না কিভকী খারোমদা কিলোমিটর ৮৫ লাপ্পা লৈবা বিলা সেরকভা মনাক্তা রসিয়াগী অনীশুবা ইলিয়ুশিন ইল-৭৬ মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমা কাপথখ্রে।

# মিসাইল কাপশিল্লকপদা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা লৈবা অৱাংবা এপার্টমেন্ট অমা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা কিভতা রসিয়ন এটেক্করশিং অমসুং য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা মখা তানা অকনবা লান শোক্লখিবগা লোয়ননা শাথীরবা মিসাইল অমা কাপশিল্লকপদগী কেপিটেল সিটি অসিদা লৈবা অৱাংবা এপার্টমেন্ট অমা অমাঙ-অতা থোকখ্রে।



ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসনা ফোঙদোরকপদা, জুলিয়ানি দিষ্ট্রিক্টতা চথরকখিবা এটেক অদুগী ভিক্টিম মশীং কয়া য়াম্বগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি। হৌজিক এপার্টমেন্ট ব্লোক্তা লৈরিবা মীওইশিং হোন্দোকপগী থবক চথরি। ইমেজশিংদা টাৱর ব্লোকতা য়ামদ্রবদা ফ্লোর মঙা হোদুনা লৈবা অমসুং মখাগী লম্বীদা অকায়-অতোয়শিং চাইথোকপগী শক্তম উবা ফংখি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী মিলিটরি ফেসিলিটিশিংগী মায়োক্তা পরিং নাইনা ক্রুজ মিসাইলশিং কাপশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অদুদা অমাঙ-অতা থোকখিবনি।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল ইগোর কোনাসেনকোভনা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ন মিলিটরিনা ইন্সটোলেসন কয়াদা টার্গেট তৌদুনা অশানবা কালিবর ক্রুজ মিসাইলশিং কাপশিনখি। রসিয়ানা শগোলশেন নুমিৎতা এটেক চথবা হৌখিবদগী মিলিটরিনা এয়রবেজ ১৪ অমসুং কম্মান্দ ফেসিলিটি ১৯ য়াওনা য়ুক্রেনগী মিলিটরি ফেসিলিটি ৮২১দা হিট তৌখ্রে অমসুং এয়র মিসাইল সিষ্টম ২৪, ৱাদর ৪৮, ৱারপ্লেন ৭, হেলিকোপ্টর ৭, দ্রোন ৯, টেঙ্ক ৮৭ অমসুং মিলিটরি ভেসেল ৮ থুগায়খ্রে।

অজোব সীগী মপান্দগী মনুংলোমদা কিলোমিটর ৩৫ রোম চঙশিল্লগা লৈবা খা থংবা সিটি মেলিটোপোল রসিয়ন মিলিটরিনা মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌরে হায়না মেজর জেনরেল কোনাসেনকোভনা ক্লেম তৌখি।

মহাক্কী মতুংইন্না রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা ইষ্টর্ন রিজন দোনবাসতা রসিয়ন ফোর্সশিংদা চৈথেং চাওনা পীবা ঙল্লে।

চৈরকসিদা, কেপিটেলগী খারোমদা লৈবা সিটি অমগী মেয়রনা হায়রি মদুদি, রসিয়নশিংনা মিলিটরি এয়রবেজ অমা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপদা য়ুক্রেনগী মিলিটরিনা মায় পাকহনখিদ্রে। কিভকী খারোমদা মাইল ২৫ রোম লাপ্পা লৈবা ভাসিলকিভকী মেয়র নাটালিয়া বলানসিনোবিচনা ফোঙদোরকখিবদা, রসিয়ন এয়রবোর্ন ফোর্সশিং অহিংগী মতমদা সিটি অদুগী মনাক্তা থুংলখি অমসুং মখোয়না বেজ অদু পায়শিন্নবা হোৎনখি। বাসিলকিভকী ময়াই থংবা শরুক্তা লৈবা মরুওইবা লম্বীদা অকনবা মওংদা লান শোক্লখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মেয়র অসিগী মতুংইন্না য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা রসিয়ন ফোর্সশিং হন্দোকহনখিবগা লোয়ননা এরিয়া অদুদা অচিকপা ফীভম লৈরে।

# গুটরেসনা সুদানগী অমিন অৱাদ ক্রাইসিস কোওর্দিনেটর হাপখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা সুদানগী অমিন অৱাদপু য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ নেসন্স ক্রাইসিস কোওর্দিনেটর ওইনা থৌ পুহন্নবা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি-জেনরেল হাপখ্রে।

ব্যুরো ফোর মিদ্দল ইষ্ট এন্দ নোর্থ অমেরিকাগী দিরেক্টর অমসুং ইমর্জেন্সি, সিক্যুরিটি এন্দ সপ্লাই দিভিজনগী দিরেক্টর য়াওনা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রেফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সী আর)দা সিনিয়র রোল কয়া লৌদুনা থবক তৌরক্লবা অৱাদ অসি হ্যুমেনিটেরিয়ন এফেয়র্স, ষ্ট্রেটেজিক এক্সন, প্লান্নিং অমসুং দিভলপমেন্টকী লমদা চহী ৩০ হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরে। মহাক শ্রি লঙ্কাদা য়ু এন ঐচ সী আর রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা ইরাক ওপরেসন এন্দ হ্যুমেনিটেরিয়ন কোওর্দিনেটরগী রিজনেল কোওর্দিনেটর অমদি নোর্থ মোসিদোনিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিভ য়াওনা ফিল্ড ওপরেসন কয়াদা লীদরশিপকী থৌদাংসু লৌরমখি। মহাক মিদ্দল ইষ্ট অমসুং কমনৱেল্থ ওফ ইন্দিপেন্দেন্স ষ্টেটশিং, হান্নগী য়ুগোস্লাভিয়া, সাউথ অমসুং সাউথ ৱেষ্ট এসিয়া অমদি অফ্রিকাদসু থবক তৌরম্মী।





য়ুক্রেন-রসিয়া ক্রাইসিস মরক্তা মহাকপু য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা ক্রাইসিস অসিগী য়ু এন ক্রাইসিস কোওর্দিনেটর হাপখিবনি।

মীদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি মদুদি, রসিয়ন ফোর্সশিং য়ুক্রেনগী কেপিটেল সিটি অমদি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা চঙশিল্লক্লি। চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিনা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওবা অতৈ লুচিংবশিংগা লোয়ননা কেপিটেল কিভকী ষ্ট্রীট অমদা থোক্লক্তুনা মহাক্কী লৈবাকপু রসিয়নশিংনা চথরক্লিবা এটেক অদুদগী ঙাকথোক্কনি হায়না ৱাশকখ্রে।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকখিবা এটেক কয়া হন্দোকহনখি হায়না য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা ক্লেম তৌরকখিবগা লোয়ননা কেপিটেল কিভতা রসিয়নশিংনা চথরকখিবা এসোল্টশিং য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা রেজিষ্টেন্স পীখি হায়না বি বি সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ফেসবূক পোষ্ট অমদা য়ুক্রেনগী মিলিটরিনা হায়খি মদুদি, সিটিগী মরুওইবা লম্বীদা লৈবা বেজ অমগী মনাক্তা রসিয়ন ফোর্সশিংবু য়ুক্রেনিয়ন আর্মি য়ুনিট অমনা মনিং হলহনখি। ফেসবূক পোষ্টতা থাগৎলকখিবা অনৌবা ভিদিও অমদা প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিনা হায়খি মদুদি, য়ুক্রেনিয়নশিংনা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজবা তৌরোই। ঐখোয়গী ষ্টেটপু ঙাকথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

সিটি অসিগী গভর্ণমেন্টনা রসিয়নশিংগা মফম কয়াদা লান শোক্লরি হায়বসি কনফর্ম তৌবগা লোয়ননা মীয়ামদা য়ূমদগী হেন্দোক্তনবা আপীল তৌখি। সিটি ওফিসলশিংনা মীয়ামদা শেল্টরশিংদা লৈনবা অমসুং য়ূমদা লৈবা মতমদা থোঙনাউশিংদগী লাপথোক্লবা পাউতাক পীখি। তৌইগুম্বসুং নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং দিফেন্স কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওলেক্সি দানিলোভনা ন্যুজ সাইট অমদা ফোঙদোকখিবদা আর্মিনা মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌরি হায়খি।

# য়ূম-য়ূমদা চঙলগা থিবা-হুম্বা চথৄরকপদগী কাবুলগী মীয়াম মিপাইনরে

কাবুল, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সী):
সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎনবা কাবুল অমদি য়ূমথংনরিবা প্রোভিন্সশিংগী মফম খরদা দিফেন্সকী দেপ্যুটি মিনিষ্টর মুলাহ মুহমদ ফাজল মজলুমগী কম্মান্দ মখাদা ক্রিমিনেলশিং ফাবগী ওপরেসন অমা চথখ্রে হায়না ইস্লামিক ইমিরেটস ওফ অফঘানিষ্টাননা লাউথোকখ্রে।



ইরাই নুমিৎতা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাবুলগী মফম কয়াদা ওপরেসন চথখি। কাবুলদা লৈবা সায়দ অজিম কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মীওই ১০দগী ১৫ রোম ফাওবনা খঙহৌদনা য়ূমদা থোমজিল্লকখি। মীওইশিং অদু কাশিং, য়ূমথকশিং অমসুং কিটচন য়াওনা য়ূমগী মফম খূদিংমক্তা শন্দোকখি অমসুং মখোয়না মফম শীনবা থুংনা থিবা-হুম্বা চথখি।

ইস্লামিক ইমিরেটসকী ফোর্সশিংনা য়ূমদা রেইদ চথরিবা অদু কেপিটেল কাবুলদা লৈবা মীওই খরনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। কাবুলগী রেসিদেন্ট অমা ওইরিবা রসিদনা ফোঙদোরকপদা, অসুম্না তৌনিংবদা তৌদুনা য়ূম-য়ূমদা চঙলগা থিবা-হুম্বা চথরিবা অসি অরানবা থৌওংনি। মখোয়না থিবা-হুম্বগী পর্মিট য়াওরগা পাঙথোকফম থোকই। য়ূমদা থিবা-হুম্বা চথবা মতমদা মখোয়গী মরক্তা নুপীশিংসু য়াওহনগদবনি। করিগুম্বা মখোয়না ক্রাইমগী পাউ ফংলবা মতমদা থি-হুমগদবনি। তৌইগুম্বসুং মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংদা অকায়বা পীবদি তৌরোইদবনি হায়না হরুন কৌবা রেসিদেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ইস্লামিক ইমিরেটস অসিগী স্পোক্সমেন জবিউল্লাহ মুজাহিদনা হায়খ্রে মদুদি, কেপিটেল অমদি য়ূমথংনবা প্রোভিন্সশিংগী মফমশিংদা চথরিবা রেইদশিং অদু হুরান-চিন্থি তৌবা মীওইশিং, কিদনেপ্পরশিং অমদি ইন্টলিজেন্স সর্ভিসনা হান্না মশক খঙলবা অতৈ ক্রিমিনেলশিং ফাননবগী পান্দমদা চথবনি। মীচমশিং অমদি মরাল লৈজদবা মীওইশিংবু অৱাবা তাহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎলি। মফম খূদিংমক ইন্টলিজেন্সকী খূত্থাংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা ওপরেসন অদু চথখিবনি। ওপরেসন অদুদা ক্রিমিনেল কয়া দিটেন তৌখি। অমরোমদা, থাংজ নুমিৎতা অফঘানিষ্টানগী ষ্টেটনা চল্লাইবা য়ুনিভর্সিটিশিং অমুক হন্না হাংবা হৌখ্রে। টালিবাননা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়শিনখিবা মতুং থা ৬ হেন্না কান্নরগা য়ুনিভর্সিটিশিং অদু নৌনা হাংখিবনি। মসিগী মমাংদা হায়র এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিভর্সিটিশিং হাংলগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।


## টৈ / JOB OPPORTUNITY NOTICE

**Clover Organic Private Limited, Dehradun** invites eligible candidates for the following post for Farmer Producer Company of Government Funded Projects in Manipur.

| Sl No. | Post | No. of Position | Posting Location |
|---|---|---|---|
| 1 | CEO | 4 | Pherzawl |
| 2 | CEO | 2 | Churachandpur |
| 3 | CEO & Accountant | 1 + 1 | Jiribam |
| 4 | CEO & Accountant | 1 + 1 | Langmeidong, Kakching |
| 5 | CEO & Accountant | 1 + 1 | Sawombung, Imphal East |
| 6 | CEO & Accountant | 1 + 1 | LM Block, Ukhrul |
| 7 | CEO & Accountant | 1 + 1 | Moirang Block, Bishnupur |

Eligibility:
1. Should hold a Bachelor's degree in any subject or equivalent degree from any recognized University. Having degree of BSc. Agriculture/MBA in Agribusiness would be added an advantage (CEO Post).
2. Should be a 12th Pass/ B.Com (Accountant Post)
3. Adequate work experience with fluency in English, Local Language & Manipuri.
4. Preference will be given to candidates belonging to farmer community and local area.
5. Should be ready to travel.

Salary:
1. Up to 25,000/month (CEO)
2. Up to 10,000/month (Accountant)

Interested Candidates are requested to submit their CV in PDF format with cleared mentioning the post applied with the location at email id cloverorganic.manipur12@gmail.com on or before 03/03/2022.

HL-P-1820/27

Sd/- FPC Manager